[illegible]

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ০৩, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০০৬শুবা মশীং

লানলক্তা মীখলগী মীরেপ

চারোই খঙনা বার্ত্তন তৌবসু য়াওরকপা

থা অসিগী ১৯দগী হৌরদুনা তাঙ্কক ৭ থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাকসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা লান মায়োক্নরিবা মণিপুরসু য়াওরে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা মীখলনি। মসিমক্না মীখলসিগী থৌবু অমসুং অরাংফম ওইরিবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মীখলসিবু ‘ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি’ হায়দুনা ফাওবা শীংথানরিবনি। মণিপুরদদি মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা চত্থরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্তি, লোইশিল্লে অমসুং মখা তানা চত্থরক্লরোই হায়বগী লৈখাই তাদ্রি, লাঞ্জেন্নরকপা মীওই লিশীং ৬০ রোম মশা-মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনজবা ঙমদ্রি হায়দুনা পাঙথোকফম থোক্লবসু ষ্টেটসিগীদি লৈরিবা ৱাথোকশিংসি লোইশিল্লগা, নে তারগা পাঙথোকপীয়ু হায়না লানগী মৈশা নংলবশিংনা হায়বনি। অদুবু ৱাফমসি ইলেক্সনসিগী মতাংদা ৱারোইশিনবা, ৱাতুপ্পবা ফাওবা ঙমজদ্রবসু হায়জবা, তকশিনবা ফাওবদি ঙমজবা মণিপুর লৈঙাক্তি মখূৎ মক্রাং লোন্দুনা লৈখ্রে। শোৎ-প্রেক লাউখিদ্রে। য়ুনিয়ন লৈঙাকসু অদুম্মঙাই হামু-হামুদা লৈখ্রে। অইবা চেরোল ফাওবা পীশিনখ্রবসু ঈ সী আইনসু মনাদা হাপখিদ্রে। মীখলসি পাঙথোক্কনি লাউথোরকপদা মণিপুরসু য়াওরে। তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অমসুং নম্বর ২ - আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোকখ্রে। মীরেপ চেশিং পীশিন্নরকখ্রে। স্ক্রুটিনি পাঙথোকখ্রে, মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ হৌখ্রে। ইন্নরদা মীরেপ ৬ অমসুং আউটরদা মীরেপ ৪না লম্বা তৌনরগনি হায়দুনা মফি শেম্নবা হৌখ্রে।

পাঙথোকসনু, পাঙথোকফম থোকই। লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা পাঙথোক্লগা মণিপুরদা পাঙথোক্তবা য়াফম থোক্তে। ষ্টেটসি ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিল্লক্লবনি। লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরক্লবনি। মণিপুরগী মীয়াম থোইদোক-হেন্দোক্না ভোট থাদগদৌরিবা ভোটরশিংনা মীখলসিগী মায়োক্তা লেপ্লুবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈজবা নত্তে। থা ১১ ফাজিল্লক্লবা লানসিগী মতাংদা লৈখাই তারগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা শৈদাংফম লৌরক্লিবশিং য়াওনা মীয়াম্বু তংদু লৈতাহল্লগা পাঙথোকপীয়ু হায়বা খক্তনি। অদুবু মীয়াম্না হায়জবা, লাউজবা পূম্নমক অরেম্বা তাহল্লগা খূৎলায় পায়বা সিফাইনা পল্লোন শানা কোইশিন্দুনা ঙাক শেল্লগা পাঙথোকফম থোকই হায়দুনা নমদুনা পাঙথোক্কদৌরে। লোক সভাগী সিট ১৪ লৈবা অসামদগী ফাওবা মণিপুরদনা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) মশীং হেন্না শীজিন্নদুনা মীখল পাঙথোক্কদৌরে। মথৌ তাবা থৌরাং পূম্নমকসু শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। পোলিটিকেল পার্টি অমসুং কেন্দিদেটশিংনা অঙম্বা পান্থে পুথোক্লদুনা মানা-মানা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনরক্লে। অদুবু তাঞ্জাসি য়ৌশিল্লকপদা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংদি মীখল পাঙথোক্লগদবা ইন্নর অমসুং আউটরগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা লম্বা তৌনগনি হায়দুনা চোংথোক্লরক্লিবা মীরেপশিংগী মনুংদা চারোই খঙনা বার্ত্তন তৌবা কেন্দিদেটশিং য়াওরব্রা হায়বসিনি। মীখল পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটরগী মফম খরদগী ভোটরশিংনা ৱাহংসি হংলকপদা শাওফম থোক্তে। মীখল থেংনরগদবা মীরেপশিংগী চপ চাবা মশক খঙদোকপা, করম্বা মীরেপ্তা ভোট পীগদগে হায়দুনা তরেৎ-তরা থোক্না খন্দোক-খঞ্জিন তৌবগী হক্তি ভোটরশিংগীনি। অদুবু ইলেক্সন ওইগেরা অমা ওইগেরা থবক অমা তৌবা হায়বসিদি থবক্তুগী মহয় চাগনি অমসুং ফংগনি হায়দুনা তৌনবা/পাঙথোক্লবা ঙাক্তনি। ফেল ওইগনি, মায়থীগনি খঙনা খঙনদি চোংশিন্দুনা তৌনবদি য়াওরমগদবা মান্দে। অদুবু মীখল পাঙথোরক্লবদি মীরেপ ওইদবা য়াদে হায়বগী মওংদা মপাম হরাওবগী ফীভমদা কাংলম চেনবা খরদি য়াওরব্রা হায়বনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মীখলসিদা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থম্বশিং নত্তবা মীওইশিংনা মীরেপ ওইবা য়াই। মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবা হায়বদুনা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা মীরেপ্তুগী ৱানি। মীখলগী রিজল্ট লাউথোরক্লগা তাংদাংবা খঙগদৌরিবনি। তৌবতবু মীথিঙ্গাই-মীরৈহৎকী মওংদা খুরক্কী ঈনা লাই শাবগুম্বা খরদি ইচাউ-চাউনা য়াওরব্রা হায়বগী ৱানি। ফীভমসিবু ময়াম তিল্লবদি অমা য়াওই, উসব-মেলা তৌরবদি অমা য়াওই হায়বদুগী ফীভমনি হায়দুনা কুম্মৈদৌনা য়েংদুনা লৈথোক্কদ্রা নৎত্রগা অমুক হন্না তৌরক্তনবা পুমখি খিহনগদ্রা হায়বদুদি ভোটরশিংদা লৈরে।

[illegible]

লিন মখল খুদিংমক্কী হুশিংবু ময়াই চমহনবা ঙমগদবা য়ুনিভর্সল এন্টিভেনম

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

মীওইবা হায়বসি লিনগী মচীঞ্জাক নত্তে অদুবু মশা ঙাকথোকচনবগীদমক লিন্না মীদা চিকপা য়াই। মহু কাবা লিন্না চিকপা খুদিংমক খুদোংথীনীংঙাই ওই হায়বা য়াদে। মরমদি লিন্না মশা ঙাকথোকচনবগীদমক “দ্রাই বাইট” তৌই, মহু পুবা লিন্না চিকপগী ২০-৩০% মুক্তি হু কাপশিন্দনা চিকপা থেংনৈ হায়না ভিগ্যান প্রসার, ন্যু দেল্লীনা পুথোকপা, সুকান্যা দট্টনা ইবা “স্নেক্স” হায়রিবা লাইরিক্তুদা পল্লি। মহু পুবা লিন্না চিকপগী ৭০-৮০%দি হু কাপশিনবা মখল ওইবনিনা, লিন মখল পূম্নমক্কী হুবু ময়াই চমহনবা ঙম্বা “য়ুনিভর্সল এন্টিভেনম” অমা পুথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরকই।

স্পিটিং কোব্রা মখল অমা

স্ক্রিপ্স রিছর্সকী সাইন্টিষ্টশিংনা অফ্রিকা, এসিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা ফংবা মহু পুবা লিন মখল পুম্নমক্তগী ঙাকথোকপা ঙম্বা এন্টিবোদি অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। ব্লেক মাম্বা অমসুং কিং কোব্রা য়াওনা শাথীনা হু চেনবা লিনশিংগী মহুদগী ঊচিশিংবু ঙাকথোকপা ঙম্বা এন্টিবোদি অদুগী মতাংদা “সাইন্স ট্রান্সলেস্নল মেদিসিনি” (ফেব্রুৱারী ২১, ২০২৪) দা ফোঙদোরকখি। থিজিন-লূপ অসিনা লেবোরেটরিদা শুংবা হু মখল কয়ামুক শীজিন্নদুনা মীওইবগী তোঙান-তোঙানবা এন্টিবোদি বিলিয়ন কয়ামুক্তা থিজিনখি অদুগা করম্বা এন্টিবোদিনা হুশিংদুগী মথৌবু থিংবা ঙম্বগে হায়বগী মতাংদা য়েংশিনখি। স্ক্রিপ্স রিছর্সতা ইম্যুনোলজি অমসুং মাইক্রোবাইওলজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা Joseph Jardine না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না পুথোল্লিবা এন্টিবোদি অসিনা অনেম্বা অমসুং ময়াই ওইরপ্পা চাগা লাকপা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা হেন্না কান্নবা পীরগনি হায়রি।

মপুং ওইনা এসিয়া অমসুং অফ্রিকাদা লৈরিবা মীওই লাখ অমদগী হেনবদি চহী খুদিংগী লিন্না চিকপদগী শি অমসুং মসিনা ত্রোপিকল দিজিজ অয়াম্বদগী হেন্না শাথীবগী ফীভমদা লৈ। হৌজিক শীজিন্নরিবা এন্টিভেনমশিং অসিদি শাশিংদা লিনগী হু কাপশিন্দুনা ইম্যুনাইজ তৌরগা শুংবনি অমসুং এন্টিভেনম অমনা মপুং ওইনা অখন্নবা লিন অমগী হুখক্তদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা লিনশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তোঙান-তোঙানবা এন্টিভেনমশিং শুংবগী মথৌ তাই হায়রি।

চহী খরগী মমাঙদা জার্দিন অমসুং মহাক্কী থিজিন-লূপ অসিনা হ্যুমেন ইম্যুনোদিফিসন্সি ভাইরস (ঐচ আই ভি) কী মায়োক্তা ফজনা ন্যুত্রেলাইজ তৌবা ঙম্বা এন্টিবোদিশিংনা ম্যুটেট তৌবা ঙমদবা ভাইরসকী শরুকশিংদা টার্গেট তৌদুনা করম্না মথৌ তৌবগে হায়বসিগী মতাংদা নৈনরম্মী। মসিদগী খঙবা ঙম্লকখি মদুদি য়ুনিভর্সল এন্টিভেনম অমা পুথোক্লবগী মতাংদা থেংনরিবা শিংনবা অসি ঐচ আই ভি ভেক্সিন অমা পুথোক্লবগী শীংনবা অদুগা মান্নৈ। থুনা শেমগৎলক্লিবা ঐচ আই ভি প্রোটিনশিংগী মরক্তা খজিক খজিক খেন্নবশিং লৈবগুম্না তোঙান-তোঙানবা লিনগী হুশিংগীসু খেন্নবশিং লৈ অদুনা প্রোটিন অমদা ফাজিল্লিবা এন্টিবোদি অমনা অতোপ্পা প্রোটিনশিংদদি ফাজিনবা ঙমদে। তৌইগুম্বসুং ঐচ আই ভিগা মান্নবা মওংদা লিনগী হুশিংদসু ম্যুটেট তৌদবা মফমশিং লৈ অদুগা অদুগুম্বা মফমশিং অদুদা টার্গেট তৌবা ঙম্বা এন্টিবোদি অমনা হুদুগী মখল পুম্নমকপু ময়াই চমহনবা ঙমগনি হায়বসি খঙবা ঙম্লকখি।



থ্রী-ফিঙ্গর টোক্সিন (3FTx) গী ষ্ট্রকচর

নৌনা থিজিনখিবা অসিদনা লূপ অসিনা মাম্বা, কোব্রা অমসুং ক্রেইটসিদা য়াওরিবা মরু ওইরবা মহু পুবা লিনশিংগী কাঙলূপ অমা ওইরিবা ইলাপিদশিংগী মখল কয়াদগী ভেনম প্রোটিনশিং লৌথোক্লম্মী অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংলম্মী। মখোয়না ইলাপিদ স্নেক পুম্নমক্তা য়াওবা থ্রী-ফিঙ্গর টোক্সিন (3FTx) কৌবা প্রোটিন মখল অমা ফংবা ঙম্লম্মী। 3FTx অসিদা তোঙান-তোঙানবা স্পেসিসশিংদা মান্ননা উবা অপীকপা শরুকশিং য়াওই। মসিগীসু মথক্তা 3FTx প্রোটিনশিংসি য়াম্না শক্তি লৈবা হু ওইনা লৌনৈ অমসুং হকচাং শিনবা থুংনা শিথহনবা (পেরলাইজ তৌহনবা) ঙম্মী অদুনা মসি চপ চারবা থেরাপ্যুটিক টার্গেট অমা ওই।

3FTx থিংনবগী এন্টিবোদি অমা পুথোকপগী পান্দমগা লোয়ননা থিজিন লূপ অসিনা তোঙান-তোঙানবা 3FTx তরাতরুক্কী জীনশিং মমালিয়ন সেলশিংদা হাপচিনবা ঙম্বা অনৌবা প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎলম্মী অদুগা লেবতা হুশিংদু শুংলম্মী। মসিগী মতুংদা লূপ অসিনা তোঙান-তোঙানবা মীওইবগী এন্টিবোদি বিলিয়ন য়াঙ্খৈদগী হেল্লবা লাইব্রেরি অমদা মায় ওনশিল্লম্মী। এন্টিবোদিশিং অদুদগী করম্বনা চাইনিজ ক্রেইট নৎত্রগা টাইৱানিজ ক্রেইট হায়না খঙনরিবা লিন্দুদা য়াওরিবা 3FTx প্রোটিনদা ফাজিনবা ঙম্বগে হায়বদু চাং য়েংলম্মী। হায়রিবা প্রোটিন অসি অতোপ্পা 3FTx শিংগা খ্বাইদগী হেন্না মান্নৈ। মসিনা মখোয়না থিরিবা এন্টিবোদিশিংগী মশীংদু ৩,৮০০ মুক্তা হন্থহনবা ঙম্লম্মী। মসিগী মতুংদা মখোয়না অতোপ্পা 3FTx ভেরিঅন্ট মরিবুসু মশক খঙবা ঙম্বা এন্টিবোদিশিংদু চাং য়েংলম্মী। চাংয়েংশিং অসিদগী ফংলকখিবা এন্টিবোদি ৩০গী মরক্তা অমখক্লা হুশিংদুগী ভেরিঅন্ট পুম্নমক্তা খ্বাইদগী শক্তি লৈনা থেংনবা ঙম্লম্মী, অদুগা মদুবু 95Mat5 কৌবা এন্টিবোদি অদুনি হায়বা খঙলল্কম্মী।

থিজিন-লূপ অসিনা ক্রেইট মখলশিং ইন্দিয়ন স্পিটিং কোব্রা, ব্লেক মাম্বা অমসুং কিং কোব্রাদগী লৌথোকপা হুশিংবু কাপশিল্লবা ঊচিশিংদা 95Mat5 না করম্না কান্নবা পীবগে হায়বদু নৈনরম্মী। হুশিংদু কাপশিনখ্রবা মতুংদা ঊচিশিং অদুদা 95Mat5 কাপশিনখি অদুগা ঊচিশিংদুনা অশিবগী খয়াত্তগী নাম্থোক্তুনা হিংবা ঙমখিবদা নত্তনা পেরলাইজ তৌরক্কদবদগীসু ঙাকথোকচবা ঙম্লম্মী। মতৌ করম্না 95Mat5 না 3FTx ভেরিঅন্টশিংবু থিংবা ঙম্লিবনো হায়না নৈনখিবা মতমদনা এন্টিবোদিদুনা 3FTx না মহৌশানা ফাজিনবা মীওইবগী প্রোটিন অদুগী ষ্ট্রকচর অদুগী মতৌ তম্লকই হায়বসি খঙবা ঙম্লক্লম্মী। হেন্না পুক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবনা জার্দিন্না হান্না নৈনখ্রবা ব্রোদ-এক্টিং ঐচ আই ভি এন্টিবোদিশিং অদুনসু মীওইবগী প্রোটিনগী মতৌ তমদুনা মথৌ তৌরম্মী। 95Mat5 না ইলাপিদ পুম্নমক্কী হুশিংগী ময়াই চমহনবা ঙম্লবসু মসিনা মহু পুবা লিনশিংগী অতোপ্পা কাঙলূপ অমা ওইরিবা ভাইপরশিংগী হুবুদি ময়াই চমহনবা ঙম্লমদে। অদুনা থিজিন-লূপ অসিনা অতোপ্পা ইলাপিদকী হুগী ময়াই চমহনবা এন্টিবোদি অমা লোয়ন-লোয়ননা ভাইপরগী হু মখল অনীগী ময়াই চমহনবা ঙমগদবা ব্রোদলি ন্যুত্রেলাইজিং এন্টিবোদিশিং থিরি। অসিগুম্বা এন্টিবোদিশিংগা 95Mat5 কা পুনশিন্নদুনা লিন মখল পুম্নমক্কী হুবু ময়াই চমহনবা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্লি। অসিগুম্বা এন্টিবোদি মরিসিগী অপূনবা অসিনা য়ুনিভর্সল এন্টিভেনম অমা ওইনা মথৌ তৌবা ঙমগনি হায়না স্ক্রিপস রিছর্স সাইন্টিষ্ট Irene Khalek না ফোঙদোক্লি। ●

চায়োক নাওয়োক ফবী ইমা মণিপুর

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

চায়োক নাওয়োক ফবী ইমা মণিপুর ঙসিদি ইমানা কাঙলূপ-ফূরুপ খায়দনা নাওকোল্লকপা মীচাবোক মীথিবোং মীতম্বাল খরনা য়ূমগী শাইজিন্দা মৈ চুশিন্দুনা মৈচাক মৈৱাইরকপা উরগা মখোল থোক্ত্রবসু শোয়দনমক্কী থম্মোয়দা পেন্দবা, শাউনীংবদি ফাওরমগনি। মতম অমদা চাকথোঙ চফূ লৈবাক্লা শাবা, এঙ্খাং থোংনবা উয়ান চফূ লৈবাক্লা শাবা ঙাক্তা ওইরিঙৌগী মীতৈ ইপা-ইপু, ইমা-ইবেলশিংনা লৈমিন্নরবদি মরোল থোক্তবা চফূ-উয়ান ফাওবা মপাল কায়বদি হৌনশানি হায়না পুকমেন পাউমেনবীরম্মী। খাবৈ, চেগপ, চফূ-উয়ান মাগী মাগী মথৌ পাঙথোরকপা মতমদা থেংবা খোৎপা মতমদা মপাল মচেৎ অমা কায়বা হায়বসি হৌনশানি হায়বনি। মীওইবা মশেলসু নোংমা ফাদোক ৱাহৈ-ৱাতা অকনবা য়াওদুনা হায়হন্নীংদবা হায়রকপা, তৌহন্নীংদবা তৌরকপা, উহন্নীংদবা উহল্লকপা কয়াদা শাওনীংবা, খৎন-চৈনবা থোরকপা মতমদা প্রমান পান্থে ওইনা লাইওইখ্রবশিংনা শীজিন্নরম্বা ৱাহৈশিংনি। ঙসিদি লৈবাক্লা শাবা চফূ-উয়ানশিংদি চাক এঙ্খাং থোংবা থাকপা উখিদ্রে। কনা-কনাগুম্বশিংনা উখুলগী নুঙৱীগী চফূনি হায়দুনা এঙ্খাং থোংবা হাওই হায়দুনা থোংবা মঙাইরে।

মফম মতমগী মতুংইন্না কেগাম, কম্পী চফূ কংনালবুন, খরুং অদুমক শীজিন্নদবদি নত্তে। অদুমক মতাং মতাংগী মতুংইন্না শীজিন্নরি। টিকি মঙা-তরা থারগা মেক্রুক থাদুনা মফম অদুগী মনম মহা খুদিংমক মাগী মনম্না পূম্নমক লাকশিনবা ঙম্মী। চায়োক নাওয়োক ফবী মমাগী অশেংবা মচা কয়া অমা লোইবী চীংশাং নাপোমদা খুন্দা লৈতাদুনা মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েং য়েংদুনা খুন্দাখিবা কোঙ্গাইনি। তম্পাক লমগী লমদমদা কবুই ইপা ইচা কয়ানা মীতৈগী ওইবা খুল্লক কয়াদা মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা খুন্দারি। শাম্মা পাঙ্গল ফবা তাঙ্খুল, মরিং, কোইরেং, তরাও, পুরুম, অনাল, আইমোল, লমকাং, মাও, মরাম, চিরু, চোথে অমসুং কোমনচিংবা ফূরুপশিংনা মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েং য়েংদুনা চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী শেম্মীন্নদুনা লাল্লবনি। মীতৈশিংনা অপোকপা মপাদা পাজি, অপোকপী মমাদা ইমা কৌদুনা ইপুবোক, ইবোক, ইপলথৌ, ইমাবোক, খুড়া, ইন্দোমচা, তাচৌ-ইতৌমা, ইবাই, ইচে, ইশেন-ইচন, ইনাওনুপা-নুপী থক-খা পরিং কায়দনা চৎনরকপা ঈচেলনি, চৎনবীনি ঐখোয়গী ফজবা লৈবাক মচা তাবা হৌন-লোনচৎনি।

মথক্কী চীংদা তারিবা চীংমী ইপা-ইপলগী ফূরুপ কয়া অসিগা মীতৈগা অরৈ-লৈতা তাথোক-তাশিন তৌদুনা শাফম-লানফম কয়া পূন্না পূন্না লৈঙাক থৌদাং লৌমিন্নদুনা লাল্লবনি হায়বা অসি পুৱারীনা লেঙদবা খুদম চাংদম কয়ানা য়োমদুনা চৎলিবা চীং অমসুং তমগী পুৱারীনি। মণিপুর ইমাগী মীয়োক মীচানদি অঙকপনি, চাকথুং-ফিথুংশু কনানা হেন্না ফংবা, কনানা ৱাৎনা পীবা করিসু লৈরক্তে, ঙসিসু লৈতে, মতুংদসু লৈখিরোই। মরমদি মণিপুর ইমাদি কনাবুসু মাথোকপা য়াওদে।

কুমজা ১৮৯১দা মণিপুর বৃটিশ ইন্দিয়ানা খুদুম চনশিনখ্রে। কুমজা ১৯৪৭ হায়বদি চহী ৫৬কী মতুং ওগষ্ট ১৪দা অমুক হন্না খুদুম চল্লম্বা বৃটিশ মণিপুর থাদোকখ্রে। মতম অদু নিংথৌ বোধচন্দ্রনা নিংথৌ ওইদুনা পুম্নমক্কী মকোক্নি মণিপুরগী ওইনদি। মতম অদুদা ষ্টেট অসিদা দি মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ১৯৪৮গী চীং অমসুং তমগী অপূনবা মেম্বর ৫২না মণিপুরগী নিংথৌগী লৈঙাক মতেং পাংলম্বনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি ষ্টেট এসেমব্লি হায়বগী মহুত্তা পার্লিয়ামেন্ট ওফ মণিপুর অদুগা মহারাজ কুমার প্রিয়োব্রতবু চীফ মিনিষ্টর ওফ মণিপুর হায়বগী মহুত্তা প্রাইম মিনিষ্টর ওফ মণিপুর হায়বনা তুংগী মীরোলদা হেন্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙমহনবদা মতেং ওইগনি। মতম অদুদা মণিপুর মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমজদুনা মহারাজনা হেদ ওফ দি ষ্টেট অমা ওইনা লৈবনি, কনাগীসু মখা পোন্দনা লৈবা মতম্নি। অদুগুম্বা মণিপুরগী নিংথৌনা শর্ব্ব শক্তিশোর ওইদুনা লৈঙাকপদুনা চীং তমগী চীংমী-তম্মী মীতৈ পাঙল য়াওনা অপূনবা এসেমব্লি হায়নদি হায়বীরম্লে অদুবু মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্ট হায়বসু কায়দবরা হায়না হায়হন্নীংবা অইবগী থম্মোয়দা ফাওদবা নত্তে। চায়োক নাওয়োক ফবী, মীয়োক মীচান ফবী ইমাগী মচা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা নোমিনি ওইনা মহারাজ কুমার প্রিয়োবত্রবু চীফ মিনিষ্টর ওফ মণিপুর হাপ্লগা মাগী লোয়নবা থবক তৌমিন্ননবা মীতৈ ৩১, মীতৈ পাঙল ৪, চীংগী মীওই ১৬ পূন্না মখোয় ৫১গা লোয়ননা সংবিধান শেমদুনা লিংখ্রবা লৈঙাকনি। মসি ঐখোয় মণিপুরগী চীংমী চীংমী, তমগী মীতৈ অমসুং তম্পাক লমদা লৈরিবা মীতৈ পাঙল পুম্নমক্না চাউথোকচফম্নি। মীশিং য়েংদুনা চাকথুং ফিথুংনবা চহী ৭৬কী মমাঙদগী পুম্নমক্কী য়েংলগা লৈরকপা লমদমনি।

মমাঙ চহী মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা মীতৈ অমসুং কুকি হায়দুনা খাইবুং খাইবুং তাহন্দুনা অমনা অমবু অকি-তুজুং পোকহন্নবা শিল্লিবা খুজিল থৌরাং অমসুং মণিপুরবু মচেৎ তানা কায়নবা হোৎনরিবা অসিদি কুমজা ১৮৩০/৪০দগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবশিংদুগী চাদা নাওদা অমত্তা ওইরম্লোই। যণ লৈবদা যনাও য়াওরকপা কান্নৈ, নুপী লৌবদা অতোপ্পা নুপাদা ময়ূম পাল্লুবগী মচা য়াওরক্লবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ইমুং অদু নন্দা-ভন্দা শাবা শোয়দ্রবনি হায়বা অদুনি। নারোন্দা হাইজিল্লকপা মীতোপ মীয়ান কয়া অমা লোল মান্নৈ, কাঙলূপ ফূরুপ মান্নৈ হায়দুনা হান্না লৈবা কুকিশিংনসু মীশিং য়াম্নবা হোৎনরগা ফত্ত লৌশিং তৌদুনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবা অফবা খোঙথাং কৈদৌঙৈদসু ওইবা য়ারোই। মীতোকচা মীতম্বাল হায়বদু তাদুনা তোক্কনি। উচিনা ফি চিকপা, মরূ-মরাং, মহৈ-মরোং, ফৌ-চেঙ চাই হায়দুনা য়ূম্বু কনানসু ময়ূম মৈ থানদে। উচি শিনবনি হায়দুনা মদুমক নরেন্দ্র মোদি, অমিট শাহ অমদি নোংথোম্বম বিরেননা খনবা ওইরমগনি। উচি মচা অমা-অনীনা কোইচেন চেন কোইলোৎ লোৎ কোইথুং থুংবদু কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুর অমদি তেংনৌপলদা তৌবসি লৈঙাক অমা লৈরি কাউগনু, লৈঙাক হায়বসি য়াম্না শোন্না উবীগনু, মীতৈ মচা অমা ফাওবনা কুকিদা খূৎ থাদবনি, খূৎ থারকপদু ঙাকথোকপনি। মসিদি তাইবঙগী লোনচৎনি খঙজিনবীয়ু আই টি এল এফ।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি নখোয় নশানা ইন্দিজিনস ট্রাইবেল লিদরস ফোরম হায়গনু নখোয়বু মণিপুরগী ইন্দিজিনস হায়দুনা ৱাক্লা ৱাহোং মতু থেৎলগা ৱাহোং ওইবা য়ারোই, ৱাক্লা ৱাকনি, ৱাহোংনা ৱাহোংনি। অতোপ্পা অমনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ট্রাইবেল ইচিল ইনাও, ইপা ইপু পুম্নমকপু নখোয়না পুম্নমক হুমদুনা পুবা য়ানবা কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) হায়দুনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈদুবু ইকায়দরো? নখোয়গী থবক থৌওং অদুদা কবুই, মাও, মরাম, পাওমাই, তাঙ্খুল, মরিং, অনাল, আইমোল, লমকাং, চোথে, চিরু য়াওবরো মসিসু মথক্কী কাঙলূপ ফূরুপ অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা লৈঙাক থৌদাং য়াওরিবশিংনা শোয়দনা নোক্লমগনি। লমদম অসিগী লৈঙাক থৌদাং খুদিংমক শরুক য়ামিন্নরকপা মথক্কী কাঙলূপ ফূরুপ ১৬ অদুগী চাদা নাওদানা মণিপুরগী মায়োক্তা থবক তৌরোই মসি চান্মদা চান্মা থাজবনি। কুমজা ১৮৩০/৪০দা লাকখ্রবা কাঙলূপ অদুগী চাদা নাওদা নত্তনা পুম্নমক মাগী মাগী মফম মফমদা চৎহনখো থাদোকখো মদুনা ১৯৪৮গী চীংমী মীহুৎ, তমগী মীহুৎ য়াওনা লৈঙাকমিন্নরকপা অদুগী মরেক মহাও থোকপদা নত্তনা মচু মমেন নাইনা ঈংনা চিক্লা শান্তি ওইবা লমদম অমা শোয়দনা ওইগনি।

শেমজিন শাজিনবা এঙলো কুকি ৱার হায়জিনবা, ইন্দিজিনস হায়জিনবা, কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি হায়বদুবু তাঙ্খুল কনা কনা য়ারগে, মাও কনা কনানা য়ারগে, কবুই কনা কনা য়ারগে, মরিং কনা কনা য়ারগে অদু য়ারবদি প্রাইম মিনিষ্টর মীতৈ লিদর ফোরম হেক্তা শেম্বা য়াগদ্রা। লেট্রর হেদ নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমা শেম্বা মতমদা রেজিষ্টর বোদি ওইদবা য়াদে। কনানা মখোয়বু ইন্দিজিনসনি হায়বা য়াবগী অয়াবা পী। মসিদা নত্তনা কোটুদু মণিপুরদা খুন্দা লৈতারিবা ট্রাইবেল পুম্নমক্না য়ারব্রা, মদুগী শরুক ১৮৩০/৪০দগী লৈরক্লবশিংগী চাদা নাওদা পুম্নমক্না ৱাখল মুন্না তৌবীদুনা শান্তি হঞ্জিলহনসি, নখোয়গী মরক্তগী ওইয়ুনা চীফ মিনিষ্টর, মীহুৎ ময়াম্নবু শৌগৎলবদি মহম্মদ অলিমুদ্দিন, য়ংমাসো সৈজা, রিশাং কৈশিং ওইখিবা নৎত্রা চীফ মিনিষ্টর মখোয় মীতৈরা কুকিনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াদে হায়বা সন্বিধানদা য়াওবরা। পূন্না হিংমিন্নসি পূন্না লৈমিন্নসি মদু নত্তবা মীদুদি লৈঙাক্লা লৌরকপা ফিরেপ, পায়খৎলকপা থবক থানা অদুনা মানা তৌবনা মানা, ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা হায়বসি চায়োক নাওয়োক ফবী মীয়োক মীচান ফবী ইমা মণিপুর ঐখোয়গী তঙাইফদবনি। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১৩৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

থোংলেল তীংবী লাল লাকপতা। ৱাইকৌ য়েলপাক মকোকতা খলনা তুপপদি। লাইজ ঈশিংদা তাখিরময়ে। অদু নুমিৎতগী। তীংবী ৱায়কৌ পাৎ। মুংবী লমথোলপাল হায়না মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুনা তীংবী ৱায়কৌ পাৎ। মুবী লমথোল পালদা। লালদা খৌশাবদি। হুয়েল লালদাঙৈদি। কেকে মোইরাং খোয়বা নাওখোংচা। তলমু নাওখোংসু। অদোল য়াইথীবা। কোকমারোং হিনাওবা। তেকপী ওকশাবা। কাওরেল শলয়াম শললোইববু। কাইনা হুলবা ও হায়না মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুনা নুঙচি হিথাবা হাওশীঙমবা। য়েললিং য়েললাংফাপানচিংবা লালফারকয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু লোইতোংবদি। চোইনৌ সনা মিংথোল মিংকৌবগা। থোইনা হেলনা চুশিননা চানবনে। ●

[illegible]

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।